# নির্ভয়া কেস: কনভিক্টশিং তোঙান-তোঙান্না শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়বা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি হিয়ারিং চথরগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): নির্ভয়া গেং রেপ এন্দ মর্দর কেসতা মরাল লৈরবা মীওই মরি তোঙান-তোঙান্না শিবগী চৈরাক পীবা য়াহনবীয়ু হায়না ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা হয়েং হিয়ারিং চথরগনি।






হীরম অসিগী মতাংদা কনভিক্টশিংনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরকপা য়াগনি হায়না কোর্টনা খঙহনখি। জষ্টিস আর বনুমতি, জষ্টিস অশোক ভুসন অমদি জষ্টিস এ এস বোপনাগী বেঞ্চনা সিনিয়র এদভোকেট অঞ্জনা প্রকাশপু এমিকস ক্যুরে ওইনা খনখিবগা লোয়নননা পৱন কুমার গুপ্তা কৌবা কনভিক্ট অমগী মায়কৈদা লেপ্পবা খঙহনখি।

বেঞ্চ অদুনা হায়খি, হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা ফাওবা হিয়ারিং য়ৈথোকপগা লোয়নননা গুপ্তগী অপোকপদা ইম্পেনেল তৌরবা এদভোকেটশিংগী লিষ্ট পীনবা ট্রাইয়ল কোর্টনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিদা থাখিবগী মতুং ইন্না হয়েং নুংথিল পুং ২ ফাওবা হিয়ারিং য়ৈথোকখিবনি।

নির্ভয়াগী মমা-মপানা ফাইল তৌরকপা পিটিসন মতম চানা হিয়ারিং চথদবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রবনি। কনভিক্ট মরিগী মনুংদা ক্যুরেটিভ পিটিসন ফাইল তৌরক্তবা গুপ্তা মথন্তা ঙাইরে। অতৈ কনভিক্ট অহুম্না ক্যুরেটিভ পিটিসন অমসুং মর্সি পিটিসন ফাইল তৌবা লৈখ্রে।

প্রসিদেন্টনা মর্সি পিটিসন রিজেক্ট তৌরকপগী থৌওং শিংনরদুনা লৈপাকপোকপা নুমিৎতা বিনয় শর্মা কৌবা কনভিক্ট অমা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌরকখিবনি। নুমিৎ অদুমক্তদা সুপ্রিম কোর্টনা কনভিক্ট মরিমক্তগী পাউখমু কৌখি। ট্রাইয়ল কোর্টনা মখা তাবা য়াথং অমা পীদ্রিবফাওবা কনভিক্ট মরি-মুকেশ কুমার সিংহ (৩২), গুপ্তা (২৫), শর্মা (২৬) অমসুং অক্ষয় (৩১)বু শিবগী চৈরাক পীদনবা খঙহনখি।

সুপ্রিম কোর্টতা হিয়ারিং চথখিবা মতমদা সোলিসিটর জেনরেল তুসার মেহতানা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৭তা এপেক্স কোর্টনা কনভিক্টশিংগী অপিল রিজেক্ট তৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবা ওথোরিটিশিংনা মরাল লৈরবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীবা ঙমদনা লৈরি। ফিভম অসিনা খুন্নাইদা পীরক্কদবা চৈথেং অদু কোর্টনা য়েংবীদুনা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ১৬তা মশাগী চহী ২৩ শুবতা ঙাইরিবী ফিজিওথেরাপীগী ইন্টর্ন (তুংদা নির্ভয়া হায়না খঙনখিবী) অমবু সাউথ দিল্লিদা অচেনবা বস অমগী মনুংদা তমথিনা গেং রেপ তৌখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং থখায় অমরোম লৈরগা নুপী অদু শিখি।

কনভিক্ট মরি অমসুং জুবেনাইল অমা য়াওনা মীওই তরুক কেস অসিদা চেন্নে হায়না মরাল শিখি। রাম সিংহ কৌবা তরুক শুবা মীওই অমা টিহার জেলদা লৈরিঙৈদা মশা মথন্তা শিজখি। জুবেনাইল অদুদি চহী অহুম করেক্সনেল হোমদা থম্লবা মতুংদা কুমজা ২০১৫দা থাদোকখ্রে। সুপ্রিম কোর্টনা সিনিয়র এদভোকেট অঞ্জনা প্রকাশপু কনভিক্ট অমগী মায়কৈদা লৈপ্লবা খঙহনখিবগা লোয়নননা বিনয় কুমার শর্মানা ফাইল তৌরকপা পিটিসনগী ৱায়েল রিজার্ব তৌদুনা থমখি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা কোরোনাভাইরসকী ফিভম কূপ্না য়েংশিল্লি: ডা. হর্স বর্ধন

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): সেন্টরনা নোভেল কোরোনাভাইরসকী মতাংদা থৌশাদ্রে হায়না কোংগ্রেস লূচিংবা রাহুল গান্ধিনা মরাল শিখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধননা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক্না লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা কূপ্না য়েংশিল্লি।



দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগা খুৎশম্না দুনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম কূপ্না য়েংশিল্লি। ইন্দিয়াদা ভাইরস অসি শন্দোরক্তনবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলে। চাইনা, থাইলেন্দ, হোংকোং, সিঙ্গাপোর, জাপান অমদি সাউথ কোরিয়াদগী চংলকপা মীওইশিং লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা এয়র পোর্ট ২১দা স্ক্রিনিং তৌরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুম্লোন্নবা চাইনাদা কোরোনাভাইরসকী কেস ৪৮,২০৬ য়ৌরকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা পব্লিক হেল্থ ইমর্জেন্সি লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা ইন্দিয়ানা জন্যুৱারী ১৭তগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। ষ্টেট পুম্নমক্তা আইসোলেসন ৱার্দ থম্নবা, মাস্ক লৈশিন্নবা অমসুং ভেন্তিলেটরশিং থৌরাং তৌদুনা থম্নবা খঙহনখি। ইন্দিয়ন অমত্তা খুদোংথিনিঙাই ওইবা লৈবাকশিংদা চত্তনবা মাংজৌননা চেকশিন ৱারোল পীখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চাইনাদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীশিং ১,৩১০ শুখিবগা লোয়নননা হোং কোং অমদি ফিলিপিন্সতসু মীওই অনি শিখিবগী রিপোর্ট লাক্লে। ইন্দিয়াগী ওইনা কেরলাদা কেস অহুম রিপোর্ট তৌরকপগী মনুংদা মীওই অমা মপুং ফানা ফরগা দিসচার্জ তৌখ্রে।

# কোলকতা মেট্রোগী কোরিদোর শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি চেবাউ পিখিদ্রে

কোলকতা, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সোল্ট লেক সেক্টর ৫দগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম ফাওবা ইষ্ট-ৱেষ্ট মেট্রো কোরিদোরগী ফেজ ১ শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদা চেবাউ পীখিদ্রে।



থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়ল অমদি বাবুল সুপ্রিয়োবু শরুক য়ানবা চেবাউ পীখিবগা লোয়নননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ফায়র এন্দ ইমরজেন্সি সর্ভিসেস মিনিষ্টর সুজিৎ বোস, এম পি কৃষ্ণ বোস অমদি লোক সভাগী এম পি কাকোলি ঘোস দাষ্টিদরবুসু চেরোল পীখি।

অদুম ওইনমক চীফ মিনিষ্টরদা চেবাউ পীখিদবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মিনিষ্টর অমদি এম পিশিং শঙ্গাবগী থৌরমদা শরুক য়ারোইদৌরি। সোর্স অমগী মতুং ইন্না চীফ সেক্রেটরি রাজিব সিনহাদসু থৌরম অসিগী চেবাউ পীদ্রে হায়রি।

মেট্রোগী ওফিসলশিংনদি ফেব্রুৱারী ১২দা ষ্টেট সেক্রেটরিয়েটতা চত্তুনা চীফ মিনিষ্টরদা চেবাউ পীখি হায়না ফোঙদোকখি।

ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা হায়খি মদুদি, ষ্টেটকী মরু ওইবা থৌরম অমদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লমন খুন্বগী পোলিটিক্স চথরক্লে।

অমরোমদা বি জে পিগী লূচিংবা মুকুল রোয়না হায়খি মদুদি, পুৱারীগী লমাই হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা ট্রিনামুল কোংগ্রেসনসু থৌওং অসিমক চথখি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। মতম অমদা পোলিগঞ্জদগী গাড়িয়া বজার ফাওবা মেট্রো শঙ্গাবগী থৌরমদা মতমদুগী রেলৱে মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মতম অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর বুধদেব ভত্তচার্যাদা চেবাউ পীখিদে।

কুমজা ২০০৯দা বেনর্জিনা রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা কিলোমিটর মরি শাংবা মেট্রো লাইন শাংদোকহনবগী থৌরমদা ভত্তচার্যাবু চেবাউ পীখিদবনি।

# সী বি আইদা থিদোকহন্নবা পিটিসন ফাইল তৌরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী গার্গি কোলেজদা কলচরেল ফেষ্টিভেল পাঙথোকখিবদা নুপী মহৈরোয় কয়া মোলেষ্ট তৌখি হায়বগী মতাংদা কোর্টনা মীৎয়েং চংলগা সী বি আইদা থিগৎহনগদবনি হায়বা পিটিসন অমা দিল্লি হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখ্রে।

মমাংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমা রিজেক্ট তৌখি। সুপ্রিম কোর্টনা পিটিসন অসি হায় কোর্টতা ওইনা ফাইল তৌনবা পিটিস্নরদা খঙহনখি। এপেক্স কোর্টকী য়াথং অদুগী মতুং ইন্না পিটিস্নর ওইরিবা এদভোকেট এম এল শর্মানা দিল্লি হায় কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌখিবনি। পিটিসন অদুগী খুৎথাংদা এদভোকেট এম এল শর্মানা হায়খি মদুদি, কোলেজ কেম্পসকী ভিদিও রেকোর্দিং অমদি সী সী টি ভি কেমেরাগী ফুটেজ মাংহন্দনা থম্বীয়ু। মরাল লৈবা মীওইশিং ফানবগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কনাগুম্বা মীওই খরনা দিল্লিগী মীখলগা মরী লৈননা লৌতুনরবা মতুংদা থৌওং অদু চথখিবনি হায়না মরাল শিরদুনা এদভোকেট শর্মানা হায়খি, হৌজিক ফাওবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপা লৈত্রি। চিফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রিবসি লাইবক থিবনি। ফেব্রুৱারী ৬তা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা ঙরাং মশাগী চহী ১৮দগী চহী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ১০ ফাখ্রবনি।

পনবা য়াবদি ফেব্রুৱারী ৬তা গার্গি কোলেজগী ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিঙৈদা মীওই খরা চংলক্লগা নুপী কয়া মরুমদা মোলেষ্ট তৌখিবনি। মহৈরোয় খরনা ইন্সটাগ্রামগী খুৎথাংদা ফোঙদোরকপদগী মীয়াম্না থৌদোক অদুগী মতাংদা খঙনরকখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা তাঙ্কক ৮ থোক্লা পঞ্চায়টকী মীখল পাঙথোক্লগনি: সী ই ও

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসর সাইলেন্দ্র কুমারনা হায়খ্রে মদুদি, মার্চ ৫দগী হৌরগা তাঙ্কক ৮ থোক্লা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী পঞ্চায়ট ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি।



ফেব্রুৱারী ১৫দা মীখলগী নোটিফিকেসন থোকপগা লোয়নননা মার্চ ৫দা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্লগনি। মার্চ ৭তা অনিশুবা তাঙ্কক, মার্চ ৯দা অহুমসুবা তাঙ্কক, মার্চ ১২দা মরিসুবা তাঙ্কক, মার্চ ১৪দা মঙাসুবা তাঙ্কক, মার্চ ১৬তা তরুকসুবা তাঙ্কক, মার্চ ১৮দা তরেৎসুবা তাঙ্কক অমসুং মার্চ ২০দা নিপানসুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোক্কনি হায়না কুমারনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা লৈঙাক্লা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনি থোক্লা খায়দোকখ্রবা মতুংদা মমাং চহীগী ওগষ্ট ৫দা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর অহুম য়াওনা মকোক থোংবা পোলিটিকেলল লিদর কয়া ফাজিনখ্রবসু জম্মু এন্দ কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রেসননা পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

সী ই ওনা মখা তানা হায়খি মদুদি, ব্লোক খুদিংমক্তা হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিন্নবা মীখল পাঙথোক্লগনি। মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরে। জম্মু দিভিজনদা তাঙ্কক মরি থোক্লা মীখল পাঙথোকপগা লোয়নননা কাশ্মির দিভিজনদা তাঙ্কক নিপান থোক্লা মীখল পাঙথোক্কনি হায়রি।

মীয়াম্না মীখল বোইকোট তৌখিবা মরম্না মমাংগী পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা কাশ্মিরগী অপুনবা পঞ্চায়টকী শিট চাদা ৬০ রোম হাংদুনা লৈরিবনি। লদাখকী ওইনদি মীখল পাঙথোক্কবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈতবনা হৌজিকমক্কী ওইনা মীখল পাঙথোকখিরোইদৌরি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 114/SDC/IW (P) of 2020**

1) Lamabam Modhubala Devi D/o (L) Biramangol Singh of Sagolband Khamnam Leirak.
2) Lamabam Pritam Singh S/o (L) Pradip Singh of -do-
3) Lamabam Romila Devi D/o (L) Biramangal Singh of -do-...*Petitioners*

-Vrs-

(Late) Lamabam Pradip Singh S/o (L) Biramangol Singh of Sagolband Khamnam Leirak. ...Deceased Pattadar

ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ / **NOTICE**

13/02/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূত্থাংদা খঙহঞ্জরি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮৩ - লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ১৬৩, ২৮৮ (অরিবা), ৪৬৭ (অনৌবা), দাগ নং ৬৯১গী এরিয়া ০.০৮ একর চাউবা ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি ৩ (অহুম) অসিনা মৃ: পাট্টাদার মবুংগী অমদি মপাগী স্বর্ত্তদা মথংশিংনা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২১/২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

HL-P/6401/14 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 134/SDC/IW (P) of 2020**

Chingangbam Tombi Devi W/o (L) Homendro Singh of Sagolband Heinoupok Mayai Leikai. ...*Petitioner*

-Vrs-

(Late) Chingangbam Komol Singh S/o (L) Bokul Singh of Langjing Heinoupok. ...O.P. Party

ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ / **NOTICE**

12/02/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ১০৪ - লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ২৫৯ অরিবা, ৬৫/৫০২ অনৌবা, দাগ নং ৪৬৯গী পোইন্ট ০.৭০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পানঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৯/০২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

HL-P/6227/14 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 90/AS&SO- III Dt. 7/2/2020**

1) Chandrika Prasad Teli S/o Ramcharitraram of Telipati.
2) Nakali Devi W/o Chandrika Prasad of Telipati.
3) Haridwar Prasad S/o Chandrika Prasad of Khurai Telipati.
4) Sunil Sahu S/o Chandrika Prasad of Telipati. ...*Petitioners*

-Vs-

(Late) Duwarika Prasad Teli S/o Ramcharitraram of Telipati. ...*O.P.*

ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ / **NOTICE**

Imphal, the 13/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ১০০- টেলিপটি পাট্টা নং ৪ (অরিবা), ৫৪/'এ' (অনৌবা), দাগ নং ৬৫/'পি', এরিয়া ০.০৫ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Duwarika Prasad Teli মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেশ মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

HL-P/6199/14 **Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur**

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 99/AS&SO- III Dt. 11/2/2020**

1) Pritima Devi D/o (Late) Murli Prasad of Telipati.
2) Santosh Prasad S/o (Late) Murli Prasad of Telipati.
3) Satish Prasad S/o -do- of -do-
4) Prakash Prasad S/o -do- of -do- ...*Petitioners*

-Vrs-

Prakash Prasad S/o (L) Murli Prasad of Telipati. ...*O.P.*

ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ / **NOTICE**

Imphal, the 13/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ১০০- টেলিপটি পাট্টা নং ৭২/১০৬ (অনৌবা), দাগ নং ৮৫/১৪৯, এরিয়া ০.০৪ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Prakash Prasad মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেশ মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

HL-P/6199/14 **Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 114/SDC/IW (P) of 2020**

1. Sadokpam Prameshwor Singh S/o (L) Ibohal Singh of Sagolband Sadokpam Leikai.
2. -do- Sharat Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Ratan Singh S/o (L) -do- of -do-
4. -do- Khamba Singh S/o (L) -do- of -do-
5. -do- Sanamacha Singh S/o (L) -do- of -do-
6. -do- Dipak Singh S/o (L) -do- of -do- ...*Petitioners*

-Vrs-

(Late) Sadokpam (Ongbi) Ibeni Devi W/o (L) Ibohal Singh of Lamjaotongba Sadokpam Leikai. ...Deceased Pattadarini

ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ / **NOTICE**

13/02/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূত্থাংদা খঙহঞ্জরি । ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮৩ - লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ২৯৩ (অরিবা), ৩৬৫/৭১৬ (অনৌবা) গী দাগ নং ৮৬/৯২১গী এরিয়া ০.২৮০০০ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারিনি অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১), (২), (৩), (৪), (৫) অমসুং (৬) অসিনা মৃ: পাট্টাদারিনি মমাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদারিনিগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২১/২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

HL-P/6401/14 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mut. Case No. 80 of 2020**

1. Yanglem Ranjit Singh S/o (L) Y. Gulamjat Singh of Yumnam Khunou (remaining area of Patta)
2. Naorem (O) Ibetombi Devi W/o (L) Ibochou Singh of Oinam Awang Leikai (0.685 acre from dag No. 2212)
3. Chanambam Laxman Singh S/o Ch. Apabi Singh of Yumnam Khunou (0.685 acre from dag No. 2212) - Applicants

-Vs-

(L) Yanglem Gulamjat Singh S/o (L) Y. Gandhar Singh of Yumnam Khunou. - O.P. Pattadar

ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ / **NOTICE**

Oinam, the 13/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুন নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৮৪৫ (অনৌবা), দাগ নং ২০৭২, ২০৯৬, ২২১২, ২০১০ এরিয়া একর ০.৮৯, ০.৬৩, ১.৩৭, ১.১৪ চাউবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিশিংনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মাগী-মাগী শরুক মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/6403/14 ***Sd/- S. Budhichandra Singh***
**Sub-Deputy Collector, Oinam**

NATIONAL RURAL HEALTH MISSION

राष्ट्रीय ग्रामीण स्वास्थ्य मिशन

## নেসনল ভাইরেল হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা,

## ভাইরেল হেপাটাইটিসকী লেম্না টেষ্টিং, দাইগ্নোসিস অমসুং মেনেজমেন্টকী খুদোংচাবা পীরি।

- ভেক্সিনেসননা হেপাটাইটিস বি ঙাকথোকপা ঙম্মী। ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু।
- হেপাটাইটিস সী ফাহনবা ঙম্মী। লায়েংঙু। মরম অদুনা, টেষ্ট তৌরগা নশাগী ষ্টেটস খঙউ।
- রিমস, জেনিমস অমদি বিষ্ণুপুর, থৌবাল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, টমেংলোং, সেনাপতি অমদি উখ্রুলগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা হেপাটাইটিস বি অমসুং সী লেম্না টেষ্ট তৌবগা লোয়নননা হেপাটাইটিস সি লায়েংবগী খুদোংচাবা লৈ।

*মীয়ামগী ইন্টরেসতা ফোঙবা:*

এন ভি ঐচ সী পি, নেসনল হেল্থ মিসন, মণিপুর

HL-B-6057/14